# পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্মৈ ২০১৯

*- নানি*

মণিপুরী থিএটর মালেমদা মমিং লৈরে। মণিপুরী থিএটরগী মশক মালেমগী মফম কয়াদা উৎলুরে। কোরস রিপর্টরি থিএটর অমদি কলাক্ষেত্র মণিপুরগী প্লে কয়া অখন্নবা ইনভাইটেসন ফংদুনা মালেমগী মফম কয়াদা অখন্ননা উৎলুবগী মায় পাকপা পাউ লৈখ্রে। অদুবু মণিপুরদা হৌজিক-মক্কী ওইনা লৈরিবা থিএটরগী ফীভম অসিদি অৱাবগী মশকনি। ইকনমিগী মায়োক্তগা মণিপুরী থিএটরনা মশা খিংনা লৈবা ঙমদ্রি। হিংনবগী লানফমদা মতিং লৈনা থবক তৌরম্বা থিএটর ৱার্কর কয়া শিনফম হোংনখ্রে। লৈঙাক অসিগী মায়কৈদগীসু মণিপুরী থিএটরবু য়োকখৎনবা অহেনবা মীৎয়েং চঙলকপা উদ্রি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী এজেন্সিশিংদগী প্রদক্সন গ্রান্ট ফংনবা এপ্লিকেসন ফোরৱার্দ তৌবদগী কা হেন্না অতোপ্পা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদ্রে হায়বসি হায়নদুনতা লাকখ্রবা ৱানি।



লৈখিদ্রবা ওজা কাংজম পদ্মকুমারনা লিটরেচরগী লম্‌শিংদা থম্বীরম্বা খুদোলশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা *পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্মৈ* ২০১৯ হায়না মীংথোন্দুনা মায় পাক্লা পাঙথোক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা দ্রামা ফেষ্টিবেল অমা কোরস রিপর্টরি থিএটরগী শ্রাইন প্লেহাওসতা হৌখিবা এপ্রিল ১দগী হৌনা চত্থরক্লি। দ্রামা ফেষ্টিবেল অসিদা গ্রুপ ১৩না শরুক য়ারি। ফেষ্টিবেল অসি মতম শাংনা চত্থবা ঙমহনবীরবদি তাইবঙ শেম্বীবা মপুবু হন্না হন্না থাগৎচগনি। খরা হেন্না শাংনা চত্থবসু মশীং ইয়াম য়ামহনদনা গ্রুপ ৫ নৎত্রগা ৬ কুম্বদং তরু-তনান্না ইনভাইট তৌরগা শিনবসু অদুম য়াই খল্লকই। মরমদি হৌজিক থিএটর গ্রুপশিং অসিনা মতম চঙনা ৱানা লীলা পুথোক্নরবসু উৎফম লৈতবগী অৱাবা অমা মায়োক্নরিবনি। কাংজম ফেমিলিনা শিল্লিবা থৌরম অসি য়াম্না চঙ থোকপা, মমল নাইদ্রবা অমদি মণিপুরী থিএটরগীদমক্তদি শিংথাবগী লোইবা নাইররোইদবা থৌরম অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। গ্রুপশিং অসিনসু য়াম্না চেকশিন্না মখোয়দা পীরিবা খুদোংচাবা অদু মাঙহন্দনা প্রদক্সন পুথোক্নবা হোৎনরি। মসিমক্লা চত্থরিবা ফেষ্টিবেল অসি মায় পাকপগী খোঙথাং মাঙদা চঙশিল্লকপনি। মমাঙ চহীদগী হৌখিবা অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অসি মণিপুর থিএটরগী পুৱারীদা ময়েক লানা কানবা য়াদবা তাঙ্কক অমা ওইনা লৈহৌরগনি।

*খোমলেন মঙলান্দা :*

দ্রামা ফেষ্টিবেল অসিগী হৌদোকপা নুমিৎ এপ্রিল ১, ২০১৯দা লিবর্টি থিএটর, ককচীংনা *খোমলেন মঙলান্দা* হায়বা প্লে অমা উৎখি। ওজা পদ্মকুমারগী ফোঙলবা লাইরিক্তগী লৌথোকপা ৱারী মচাদগী উত্তমকুমার নাওরেমনা দ্রামাটাইজেসন অমদি দিরেক্সন পীদুনা পুথোকপনি। প্লে অসিদা শরুক য়াখিবা এক্টরশিংদি - টি ঐচ দেভিদ, ক্ষেত্রি নিমাইচান্দ, ক্ষেত্রি শান্ত, এন মহেসকুমার, এন প্রেম, এন বোরিস, ক্ষেত্রি অমিট, পি সরজিৎ, অবিনাশ, এস ঐচ কান্ত, ক্ষেত্রি মহেশ, এল রেনুবলা, এম



খোমলেন মঙলান্দা

সান্থলেম্বী, এস ঐচ চাউবা, ৱাই য়াইফবী চনুনি। খোম্বগী পুন্সিদা মহাক্না তিন্নজরকপা পারি অমদি অপাম্বী অনীগী পুন্সিগী পন্থুং, মখোয়গী নুংশি ৱারী, মহাক্না মখোয়বু মতেং কয়া পাংদুনা য়ূম্বান লম্বীদা লমজিংলকখিবা, লাইবক থীবদগী অপাম্বীনা নৌনা পুন্সি তেনখ্রবদা পারিনা থেংনহৌরিবা অৱাবা কয়াশিং অদু কাউবা ঙমখিদে। থৌদোক কয়াশিং অদু মহাক্না মহাক্কী লোয়নবী তোনস্নাদা ৱারী লীদুনা তাহনখিবগী থৌদোকশিং কয়া অদু অহিংবা শক্তম ওইনা উৎথোকপনি। ৱারী অসি ইচম-চমদে। মণিপুরী খুন্নাই অসিগী পুন্সিরোল অমদি মতমদুগী সিভিলাইজেসন কয়া অদুবু হিষ্টোরিকেল ইফেক্ট অমা পীদুনা লীলা ওইনা পুথোরকই। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা ওইরম্বা ফীভম কয়াগী চৎনরম্বা চৎনবী অদু প্লে অসিদা মফম চানা পুশিল্লকই। এক্টরশিং মশা খিংবা খরা ৱাৎনা উই অমদি রিহার্সেল মশীং লিকখিবনা মতু-মমান ইখিং-খিংদবগুম উখি। মসিমক্লা প্লে অসিগী উচল চাদবা অমদি চরাংনবা অদুমক্তি উবা ফংখিদে। প্লেরাইটনা শেমগৎলম্বা অমদি দিরেক্টরনা উজরিবা খরা অদু মীয়ামদা লান্থোক্লবা হোৎনবগী মমীদি



তৃথ চৎপা



তৃথ চৎপা

নিংথিনা তারি। থিএটর হায়বসিদি য়াম্না চাউই। মায়কৈ কয়াগী মীৎয়েংদগী য়েংদবা য়াদে। মেক-অপ, লাইট, ষ্টেজগী সেট, দিজাইন, কোরিওগ্রাফ, কোষ্ট্যুম য়াম্না চেকশিন্দবা য়াদে। অদুনবু থিএটর হায়বসি মপাঙ্গল য়াম্না কনবা অমনি হায়না লৌনরিবনি। উত্তমকুমারগী প্লে অসি খরগা য়েংশিন্দুনা হেন্না ফজহনবা য়াবা করি লৈরিবগে থিহন্নীংই।

*তৃথ চৎপা :*

ফেষ্টিবেলগী নীনি চনবা নুমিৎ এপ্রিল ২, ২০১৯দা কোসমোপোলিটান দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী *তৃথ চৎপা* উৎখি। প্লে অসি লৈখিদ্রবা ওজা কাংজম পদ্মকুমারগী ৱারী মচা *তৃথ চৎপা* হায়বা অদুদগী ক্ষেত্রি সনাজাওবনা দ্রামাটাইজেসন তৌবনি অদুগা প্লে দিজাইন অমদি দিরেক্সন্না মোইরাংথেম নন্দকুমারনা পীবনি। প্লে অসিদা শরুক য়াখিবা এক্টরশিংদি - সনাহনবী (তম্ফা), মকুবোক (কুলবিধু), মনেমবোক (প্রমো), মপা (মুহিন্দ্রো), মমা (বিলাশিনি), অপাম্বী (থাজ), সনায়াইমা (রিমোটকুমার), গৌরহরি (সঙ্কর), সুমতি (রোমোলা), কাটৱা (প্রিয়োবর্ত), বিজয়, এম রোমিও, এ রোমিও লোয়নন্না গীতা, সুভাসিনি, সনাতোম্বী, থোইবী, শ্যামা, জয়শ্রী, বিজয়া, মোনিকা, সিলোনি, প্রিয়োনিকা, মেমিচা অমদি ইবেচানি।

লীলা অসিগী অশম্বা ৱারীদি মশক মতৌ চঙখোনবী নহা ওইরিবী সনাহনবী কপ্তুনা লেল্লি। মনেম মকুনা মাগী অৱাবা ৱাখলদু খরা কাউথোক্নবা থংনবা য়ুমদা লৈকায় মৌ ময়াম্না ঈশৈ তল্লিবা মরক্তুদা তিলহন্নবা শিনবী। ময়ামদুনা নবদ্বিপ্তা চৎকদবা তৃথ খোঙচৎতা য়াওগে খল্লে। লোয়ননা মাগী মপুরোয়বগী কুমওন ফিরোইসু নবদ্বিপ্তা শোন্নবা খন্নখি। মদু মনেম মকুনসু য়াবিখি। নবদ্বিপতা মহাক্কী অনীংবা পূন্নমক পাঙথোক্লবা মতুংদা, অনুপ্রভুগী মন্দির কৎলিবা মীওই অমগী মচানুপা পুকচেল চাউবা গৌরহরি কৌবা পাখঙ অমগা থেংনৈ। সনাহনবীনা বৃন্দাবন চৎনীংবদু মহাক্না চৎমিন্নসি হায়না হৌদোক্লে। সনাহনবী ৱাখল উংজ পুদুনা লৈরিঙৈ মন্দির অদুদা লৈবী লাইনীংবা অমনা মহাক্কী নহা ওইরিবা পুন্সি অদুগীদমক অনৌবা খোঙচৎ অমা থাংনবা ৱাফম হৌদোক্লে। সনাহনবী মমৈদা গৌরহরিগা লোয়ননা চৎমিন্নখিবা অসিনা লীলাগী অরোইবা ওইখি।

মতম অমগী হিন্দুগী চৎনবীদা মপুরোয়বগী অশিবা হকচাং পোলোইবদা হিংহৌরিবা মহাক্কী নুপী অদুগা পূন্না হিংনা হিংনা মৈ থাবা অমা লৈরম্মী। মতাং চানা পুশিল্লক্লিবা ৱাফম অসিনা মতম অসিদা নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবীশিংগী অৱাবা কয়া অদুগা লোয়ননা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা ঙাকপী শেনবীবা, শম্বল খাবীবা, অমগী তঙাইফদবা কয়াশিং অদু নাকোয়ননা প্লে অসিদা পুশিল্লকই। নহা ওইরিবী মরাইবক থীরবীশিংবু পুকচেল তিন্নবা অমদি ৱাখল চানবা কনাগা পুঙবা শেমদুনা নৌনা য়ূম্বাল লম্বীদা চৎখিবদা করি হেন্না মীৱা ঙাঙনফম থোকপগে? ইস্যু অসি অরায়বা নত্তে, য়াম্না সেরিয়স ওইবা ইস্যু অমনি। *তৃথ চৎপা* লীলা অসিদা অইবা অমদি দিরেক্টরনা পুখৎনীংলিবা ৱাফম অসি য়াম্না ইমোসনেল ওইবা কুয়োম অমনা নিংথিনা য়োন্নগা পুশিল্লকপনিনা অয়েংবশিংগী পূক্লিংদা বিচার অমা তৌরগা ৱারেপ অমা লৌরে - মদুদি রাইটর অমদি দিরেক্টরনা পাল্লিবা অদু ঐখোয়সু য়াই হায়বসিনি। লীলাসি তশেংনা নুংঙাই, অয়েংবা পূন্নমক্কী মীৎলুদা পিনা চোৎহল্লি। মসিগী এটেম্প অসি অমনা হেক্তা তৌবা য়াবা নত্তে। মীবু কপ্পু হায়রগা হেক্তা কপহনবা ঙম্বা নত্তে। মসিগী ফীভম অসিদা লাক্লিবসি কোসমোপোলিটান দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোৎনজবগী মায় পাকপনি হায়না থমজগে।



খোমলেন মঙলান্দা

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।০৪।২০১৯ ইং, নোংমাইজিং, অয়ুক পুং ৯.৩৬ ফাওবা শজিবু ৯নি পাল্লি, মতুং ১০নি পাল্লনি।

মেষ: লৌশিং থোকপা,লাই গুরুনা চানবা, অচুম্না মাই পাকচবা অমদি ইমুং মনুং নুংশিনবা ওইগনি।থাজদবা মরমদগী কান্নবা, শেল ফংগনি অদুবু মরুপ্পদি ৱারৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

বৃষ : লাইবক ফবা শেন্দোং ফংবা অমদি মীচং য়াম্বা নুমিৎনি।মীগী মতেংনা কান্নবা থিবা মহৈ য়ানগনি অমদি মনিা লাকচবা ঙমলোই। শোকপনবা য়াবা লৈ-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই-ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা

মিথুন: লন থুমদা চরক চীহং নাইবা লৈগনি,পোরম য়াৎপা হৈবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেংনা থবক পাংগনি অমদি মীংচৎ ফংগনি।লাংতক্নরদি য়েৎনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাংথোকপদা থাগৎপিগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কর্কট: মীচং ফংগনি,ললোন ইতিক্তা শেন্দোং য়াম্না ফংগনি অমদি ৱাখল লৈনা থৌাা পাংবা ঙমগনি।অঙমবগা য়েংথিনবনা য়েক্নবা চাওখৎপা য়াবা লৈ।চয়েৎনবদি কোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ

সিংহ: পাউ নুংঙাইবা তাগনি, অরাপ্পগা লোয়নবা কান্নবা ফংগনি অমদি অনৌবা অফবা মরুপ ফংগনি। নোল্লুক্না অমদি মোং হাদনা চৎচবনা মাঙবা য়াবা কয়াদগী কনজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা।

কন্য: থৌনা ফুদোকপনা ঙম্ববু ঙমজবা, নঙগী ওইবা মীশিংনা চানবীবা অমদি লল্লোল ঈতিক্কী লম্‌দা কান্নবা ফংবা লৈগনি। ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপকনি, অরং-অরাক চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা: থবক পাংগনি, মীচং হেনগৎকনি, নথক থোংবনা চানগনি, মীংচৎ ফংগনি অমদি য়েৎনরম্বা কয়া কোকচদুনা নুংঙাইজবা লৈগনি। য়েক্নবনা চেকশিন্না থম্বা নরলদি মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

বৃশ্চিক : মমল চংবা পোৎ ফংগনি, লন-থুম লেপশিনবা ঙমগনি অমদি মরুপ-মপাং লোয়নদুনা নুংঙাইবা ফংগনি। অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি। শকখঙদবনা মাঙহনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: অনা-অয়েক কোকচবা, পল্লম্বা শেল-থুম ফংবগী নুংঙাইবা, নচা-ননাই চাওখৎপা অমদি মীরক চংলগা নুংঙাইজবা নুমিৎনি। নাপল তৌররদি লাই-গুরুনা চানবীবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মপাউ তাজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

মকর: হরাউবা, নীংবা থুংবা অমদি ৱাখল থোকনা থবক পাংবা ঙমজবা অমদি অফবা মীংচৎ ফংবা লৈগনি। মরুপ-মপাংনা য়ানবা চৎলু নত্রদি নুংশাথিবা নংগনি, ওইজবা মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা।

কুম্ভ: মীচং হেনগৎপা, অনৌবা থৌরম পাংবা য়াবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎপা লৈগনি। শেল-থুম অমদি লৌশিং অফবা য়াম্না ফংগনি। ৱানোম-থৌনোমদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মীন: ঈথক-ঈরাংদা তাওগনু। অরং-অরাক মাঙগনি, হন্থবা লোয়নবা য়েংথিনবা নংগনি অমদি মহু চাউবদগী চেকশিল্লু। অথেংবদা শাফগনি অমদি নথক থোংবগী ৱা তাবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথৌ তুংগী খল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## *খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং :* অতিয়া য়েংলগা ৱেদর খঙবা ঙম্ব্রা?

মমাঙঙৈদা ৱেদর ফোরকাষ্ট হায়না হৌজিক মতমগী সাইন্সকী খুদোংচাবা লৌদুনা লাক্কদবা নোং-চীংগী ফীভম লেপ্পরিবসি তৌনদ্রিঙৈগী মমাঙদা মীশিংনা মৈহৌরোলদগী হৌনা হায়নরকপা ৱাফমশিংদা হেক হেক ওনশিন্দুনা লাকখি। অসিগুম্বশিংগী মনুংদা হয়েং ওইগদবা নোং-চীংগী ফীভম খঙনিংলবদি করি হায়নবা লৈ হায়না থিনৈ। ঙসিগী অতিয়াগী ফীভম য়েংলগা হয়েংগী নোং-চীংগী মরমদা ঐখোয়না করি খঙবা ঙম্বগে হায়বদু য়েংসি। ৱেদর ফোরকাষ্ট অসি মমাঙঙৈদগী এক্সপিরিয়েন্সতগী তৌরম্মী অদুনা মমৈথংদা ৱেদরগী ফীভমগা মরী লৈনবা ৱাহৈ-ৱাতা, ৱাঙাঙ কয়া লাকখি। মমাঙদগী হায়নরক্লবা অসিগুম্বা ৱাহৈ-ৱাতাশিং অসি পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্তা হি জহাজ হোনবা অমসুং লৌউ-শিংউদা য়াম্না কান্নরকই।

অহিংগী মতমদা অতিয়াগী মচু ঙাঙবা হায়বসি মমাঙঙৈদা ষণ শেনবশিং, য়াও শেনবশিংগী ওইনদি নুংঙাইনিংঙাই ওইরম্মী। অমরোমদা অয়ুক্কী মতমদা অতিয়াগী মচু ঙাঙবনিনা য়াওশেনবশিংদা ৱার্নিং অমনি হায়বসি বাইবলদা য়াওবা ৱাফম অমনি। মসি মমাঙঙৈদা ষণ শেনবশিং নৎত্রগা য়াও শেনবশিংবু মথংগী নুমিৎতা লাক্কদৌরিবা ৱেদরগী অহোংবগীদমক্তা শেম শাহৌনবা নুমিৎ থোকপা অমসুং নুমিৎ তাবা মতমদা হায়নবা ৱাহেশিংনি। অসিগুম্বা হায়নবা ৱাহৈ-ৱাতাশিংগী মতাংদা মালেমগী ওইনা খেন্ন-খেন্নবা মফমগী মীশিংনা তোঙান-তোঙান্না হায়নরবসু হায়বদি অহিংদা অতিয়াগী মচু ঙাঙবদি হিরোইশিংনা নুংঙাইনৈ, অয়ুক্তা অতিয়াগী মচু ঙাঙবদি হিরোইশিংনা চেকশিন্নবা খঙহল্লিবনি হায়বগুম্বশিং অসি থৌদোকশিং অসিগী মরুমদা লৈরিবা সাইন্টিফিক ওইবা অন্দরষ্টেন্দিং অদুদি মান্নে। অহিংদা অতিয়াগী মচু ঙাঙনা উবা হায়বসি নঙোন্দা নুংঙাইবা নোং-চীংগী ফীভম লাক্কদৌরে হায়না লৌগনি। অতিয়াগী মচু ঙাঙনা উরিবগী মরমদি প্রেসর ৱাংনা লৈবদগী উফ্লুল-ৱাইফুলশিং অমসুং অপীকপা পার্টিকলশিং এটমোস্ফিয়রদা ফাজিন্দুনা লৈখিবদগীনি। অসিগুম্বা মতম অসিদা হিগোম মচু চাইথোকখিদুনা অঙাঙবা মচুদমক লৈহৌই অমসুং ঐখোয়না অতিয়াগী মচু ঙাঙনা উই। নুমিদাংদা অতিয়াগী মচু ঙাঙবা হায়বসি অৱাংবা প্রেসরনা নোংচুপলোমদগী সুম চৎখিদুনা মথংগী নুমিৎতা অতিয়াগী ফীভম খঙবা নুংঙাইগনি হায়বনি।

## থাজবরা, থাজদবরা? অঙকপনা থল্লবা মালেম

- সোল্লর সিষ্টেমগী মাস অপুম্বগী চাদা ৯৯ নুমিৎ ওই।
- মীওইবনা মনম ত্রিলিয়ন অমা তোঙান-তোঙান্না খন্দোকপা ঙমই।
- নহাক্কী হকচাংদা য়াওরিবা এটম পুন্নমক থৱানমিচাক পোকখায়বদা শেমখিবনি।
- সোল্লর সিষ্টেমদা লৈবা এষ্টেরোইদ অমা সেটর্নগুম্না অকোয়বদা রিংশিং লৈ।
- আউটর সোল্লর সিষ্টেমদা আঠকা চাউবা মান্নবা অতোপ্পা প্লানেট অমা লৈরম্বা য়াই হায়না থাজনৈ।
- মপুং মরৈ ফারবা মীশিংদা (এদল্টশিংদা) য়াওরিবা শরু মশিং অসি অঙাংশিংগী মশাদা য়াওরিবা শরু মশিংদগী হন্থে।
- মীওইবনা মতম অমত্তদা শ্বর হোনবা অমসুং য়োৎপা ঙমদে।
- এভরেজ মীওই অমগী ব্রেনদা ন্যুরোন বিলিয়ন ৮৬ রোম য়াওই।
- নহাক্কী হকচাংদা য়াওরিবা এটম খুদিংমক চহী বিলিয়ন কয়া শুরবা ঙাক্তনি।
- হয়িংখোইনা লৈ অমগী ইলেক্ট্রিক্ট ফিল্ড খঙবা ঙমই অমসুং লৈরিক থিবদা মদু শিজিন্নৈ।
- মচীন তুম্বা (উচেক্কী মচীনগী মওংদা মচীন পানবা) ৱেলশিংনা পুং অনী হেন্না শ্বর হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌদনা (ফাজিন্দুনা) লৈবা ঙমই।
- য়ুনিভর্স অসি হেলোগ্রাম অমা ওইবা য়াই।
- অমাং-অশোই/ষস্থিনচিংবদা লৈবা বীটলশিং (তীল মখল) মিলকী ৱেবু মখোয়গী মায়কৈ থিবদা (মমায় লৈথোক-লৈশিনদা) শিজিন্নবা ঙমই।

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

## ফজবা হায়বসি উনশাখক য়েংলগা য়াদে







ফজবা হায়বসি ঐখোয়না উনশাখক লুনা (স্কিন-দীপ) য়েংবদা উবদুনা য়াদে। মীওই অমবু অহানবা ওইনা উবদা মহাক্কী মরমদা ৱাখল অমা মতম পুম্বগী ওইনা পোকহনবা হায়বসি সুপ্নগী সেকেন্দ ১০ দা থোকই। সেকেন্দ ১০ গী মনুংদুদা অউবা অমনা মীওই অমগী মরমদা খঙলিবসি মহাক্কী (নুপা/নুপী অদুগী) মশক মচূ, ফিজেৎ-চাকচেৎ, পার্সোনেলিটি, ষ্টাইল অমসুং বোদি লেঙ্গৱেজ য়াওরি। নুপীশিংনা মশাদা চেঞ্জবা হৈনবী নৎত্রগা থৌদাং অমা ওইনা চহী লিশিং কয়াগী মমাঙদগী হৌনা অহানবা ইমপ্রেসনদা অউবশিংদা (মরু ওইনা ওপোজিট সেক্সকী নৎত্রগা চুম্নগী অতৈ নুপীশিংগী মমাঙদা) অহানবা ইমপ্রেসনদা করিগুম্বা ৱাখল খরা পোকহনবসি য়াম্না মহয় য়ানবা, কান্নবা মওংদা ঙসি ফাওবা তৌদুনা লাক্লি।

ঐখোয়না খঙই মদুদি মমাঙঙৈগী ইজিপসিয়নশিং অমসুং মখোয়গী অঙকপনা থল্লবী জ্বীন ক্লিওপত্রানা কোস্মেটিক্স কয়া, শঙ্গোম অমসুং রোজগী লৈনাশিং হাপ্পুনা ঈরুজবা, নুংশিবা মনমশিং অমসুং অতৈ অতৈ মেঠদ কয়া মখোয়গী মশক ফজথোকহন্নবা মীনা য়েংনিংবা পোকহন্নবা শিজিন্নরম্মী। হৌজিক মীৎপানদা মচূ মখল কয়া শংজিন্নরিবা (মমাঙৈগী মতমদুদদি অমুবা মচুদমক মীৎপানদা শংনরম্মী) অমসুং মখল-মখা কয়াগী মমল য়াম্না ফিজোল কয়া শেৎনরিবসি মমাঙঙৈগী চৎনবীশিং অদুগী থংথরকপা চৎনবীশিংনি। নুপীশিংনা লৈদগী লৌবা মচূশিংনা চীনবানদা শংনরম্মী, মখোয়গী শমশিংদু মওং কয়াগী ষ্টাইলশিংদা শেল্লরম্মী অমসুং পুল্লরম্মী, মখোয়না শমশিংদু খোইহল্লম্মী অমদি অতৈ মখল-মখা কয়া পাম্বৈশিং শিজিন্নরম্মী - পুন্নমকসি য়েংবদা হেন্না ফজনবা অমসুং মতম চূপ্পদা নহা ওইনা উনবগীদমক্তনি।

ঙসিদি শক ফজনবগী (ব্যুটি) ইন্দষ্ট্রি অসি নিংথিনা চাউখৎলে অমসুং ওর্গনাইজ তৌরে। অনৌবা পুথোকপা কয়া অমসুং কোস্মেটিক্স লিশিং লিশিংনা নুপীশিংবু চেলহন্নিংবা শক্তমশিং চেলহনবা ঙমহল্লে, য়েংবদা মশক হেনবী, মশক নাইবী অমগুম উহনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা লুদ্রে। নুপীশিংগী চপ চাবী মঙদা উবা শক্তমশিং অদু থাঙ্গৈশেংবা পুন্সিদা ফংনবগীদমক্তা ফেসিয়লশিং, মেনিক্যুর, পেদিক্যুর শমগী ট্রিটমেন্টশিং অমসুং মেক-অপকী পাম্বৈশিং অসি লৈরে। সিজন খুদিংমক মখোয়গী তোপ তোপ্পা ষ্টাইল, টেক্নিক অমসুং মেক-অপকী মখল লৈজে। অসুম্না সিজন অমগী ষ্টাইল, টেক্নিক অমসুং মেক-অপ অদু অতোপ্পা সিজনদা চৎনদবা য়াই। নিংথমথাগী মেক-অপ ঐখোয়না নোংজুথাদা চৎনদে, মদু তৌবা তারবদি নোক্লিংঙাই মচাক ফাওবা ওইবা য়াই।

